**Shikshan Sanshodhan** : Journal of Arts, Humanities and Social Sciences ISSN(o): 2581-6241
Monthly, Peer-Reviewed, Refereed, Indexed Journal Impact Factor: 6.471
Volume - 6, Issue - 12, December - 2023 Publication Date: 31/12/2023

DOIs:10.2018/SS/202312002 --:-- Research Paper / Article / Review

# সৌগাইজম ব্রজেশ্বরগী পুন্সি অমসুং সাহিত্য

**Dr. Th. Kanchan Bala Singha**
Asstt. Prof. Manipuri Department
S.S. College, Hailakandi
Email: thkanchanbala1989@gmail.com

***Abstract:*** ১৮শুবা চহীচাদগী মপুংওইনা বরাক তম্পাক্তা খুন্দা-লৈতাদুনা লৈরকলিবা মণিপুরীশিংনা অঙনবা মতমদগী মশাগী কলা, সংস্কৃতি অমদি সাহিত্যবু নিংথিজনা ঙাক শেন্দুনা থম্লকই। খোঙথাং তপ্না লাকখিবা জাতি অসিগী শক্তমদা অনৌবা মঙাল অমা নাওরিয়া ফুলোনা পীরকখি। ফুলোগী মতুংদা নহারোল কয়ানা মথং-মথং বরাক তম্পাক্কী সাহিত্যদা অবদান কয়া তৌরকখি। মখোয়শিংগী মনুংদা সৌগাইজম ব্রজেশ্বরসু শিংথাবা য়াই। অইব অসিগী পুন্সি অমসুং বরাক তম্পাক্কী মণিপুরী সাহিত্যদা তৌবিরিবা খূদোলশিং অসি নৈনজরি।

***Key Words:*** সাহিত্য, সৌগাইজম ব্রজেশ্বর, বরাক তম্পাক অসিনচিংব।

**1. হৌরাদোক :**

১৮শুবা চহীচাদগী মপুংওইনা বরাক তম্পাক্তা খুন্দা-লৈতাদুনা লৈরকলিবা মণিপুরীশিংনা অঙনবা মতমদগী মশাগী কলা, সংস্কৃতি অমদি সাহিত্যবু নিংথিজনা ঙাক শেন্দুনা থম্লকই। খোঙথাং তপ্না লাকখিবা জাতি অসিগী শক্তমদা অনৌবা মঙাল অমা নাওরিয়া ফুলোনা পীরকখি। ফুলোগী মতুংদা নহারোল কয়ানা মথং-মথং বরাক তম্পাক্কী সাহিত্যদা অবদান কয়া তৌরকখি। মখোয়শিংগী মনুংদা সৌগাইজম ব্রজেশ্বরসু শিংথাবা য়াই। অইব অসিগী পুন্সি অমসুং বরাক তম্পাক্কী মণিপুরী সাহিত্যদা তৌবিরিবা খূদোলশিং অসি নৈনজরি।

**2. নৈন খোঙজং অসিগী পান্দম :**

সৌগাইজম ব্রজেশ্বরনা মণিপুরী সাহিত্যদা তৌবিরম্বা খূদোলশিংবু হৌগৎলকলিবা মীরোলশিংদা খঙহনবনি অমদি অইবা অসিগী পুন্সি অমদি সাহিত্যগী থবকশিং অসিবু নৈনদুনা সাহিত্যগী পূকেবু অমুক হেন্না চোলহনবগী পান্দমনি।

**3. সৌগাইজম ব্রজেশ্বরগী পুন্সি :**

সৌগাইজম ব্রজেশ্বর ইং ১৯৩৫ গী জনুৱারীগী তাং ১, পোইনুগী ১৬ নি পানবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা চিত্রাংগোন্দা তাইবঙ ফাওখি। চিত্রাংগোন হায়বা খুঙ্গং অসি মমাঙঔদা বরাক তম্পাককী বোরখোলা হায়না খঙনবা সব দিভিসন অসিদা য়ুমনাক ৩০রোমনা খুনলিংদুনা লৈরম্বা মৈতৈ খুঙ্গং অমনি। বরাক তুরেলগী তোবার্ন্দা খুন্দাবা মরমনা চিত্রাংগোন, তুরেল তোবার্ন কীন্থবদা য়াওখিবদগী মফম অদুগী মীয়াম খুন হোংনখি। ঙসিদি চিত্রাংগোন বরাক তুরেলগী ঈরোলনুংদা ইতিনখ্রে। সৌগাইজম ব্রজেশ্বরগী অপোকপগী মিংদি সৌগাইজম বল্লভ সিংহ কৌই। অপোকপীগী মিংনা কৈসাম নীঙোল সৌগাইজম ওংবী চন্দ্রমুখি কৌই। ময়ামনা নুংশিনা সেঙ্গোই হায়নসু কৌবী। লোয়নবী সেঙ্গোইগা য়ূম্বানমিনবদা ওজা বল্লভ অঙাং মরিগী মপা ওইখি। ব্রজেশ্বরবু পোকপী সেঙ্গোই মচানুপা অতোম্বা বিরচন্দ্রনা পীকলিঙৈদা ঈশ্বরগী খুয়াখাদা তিনখি। লোয়নবী সেঙ্গোইনা লৈখিদ্রবদা পীকলিবা মচাশিংবু য়েংশিনবিনবগীদমক মপাবুংগী অয়াবা অমদি মশাগী অপাম্বা মতুংইন্না ওজা বল্লভ, সেঙ্গোইগী পোকমিন্নবা মনাউনুপী চন্দ্রসখিগা অমুক হন্না য়ূম্বান লম্বীদা খোঙদামিন্নখি। চন্দ্রসখিগা য়ূম্বানমিন্নবদা ওজা বল্লভ অঙাং নীপানগী মপা ওইখি।

মতমগী খোঙঙৌলে মতুং ইন্না চীত্রাংগোননা বরাক্কী ঈরোলনুংদা লুপখিবদগী ব্রজেশ্বরগী ইমুং মনুংসু বোরখোলাগী মনুংচন্না লৈবা জারলতলা হায়রিবা মফমসিদা খুন হোংলকখি । ব্রজেশ্বরগী মপা ইবুংঙো সৌগাইজম বল্লভ সিংহ ঈশৈ নোংমাইদা থৱায় য়াওবা মীশক ওইরম্মী। ওজা বল্লভ লৈবাকনা শকখঙবা ঈশৈ নোংমাই তৌবা মীশক ওইবনা মহাক্কী শঙ্গাইদা মচা মনাই সেবক কয়া ঈশৈ তম্বা লাকলম্মী। ওজা অসিনা নট ঈশৈগী লমদা তৌবিরম্বা খূদোলবু ঈকাই খুন্নবা ওইনা ইং ১৯৮৩ দা “মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ঈম্ফাল”গী নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্রনা প্রেসিদেন্ট ওইবা কুম ৪৮ শুবা অধিবেসনদা ‘সঙ্গীত ভূষণ’ উপাধি পীদুনা ঈকাই খুন্নবা উৎখি।

ব্রজেশ্বরগী অপোকপী চন্দ্রমুখি মচাশিংবু চিক্লোন নাউকোন হৈবী য়ুম্বুরেম্বীনি। পূকচেল তপ্পী, মমা অমা ওইনা মচাশিংবু লুনা-চান্না লোয়নরকই। নোংমতা অকনবা ৱাহৈ শীজিন্নদুনা মচাশিংবু ৱারক ৱাতেমলক্তো। লাইবকথীবদি মচাশিংবু মতমকুইনা নাউকোনজবা ফংজখিদে, তাইবঙ পুন্সিগী অৱা নুংঙাই পূন্নমকপু থাদোকলমলগা ঈশ্বর মাগী খুয়া খাদা তিনখি। ব্রজেশ্বরগী মন্দোমচা চন্দ্রসখিনা মমাগী মহুৎ শিন্দুনা য়োকলকখি। মন্দোমচানসু মমাগুম মান্নবা নুংশি মীৎয়েং য়েংদুনা নাউকোল্লকখি।

অইবগী অহানবা মহৈ তমফমদি “৩৭ নং উজানগ্রাম এল.পি. স্কুল, বোরখোলা”নি। মতুংদা “রাজা গোবিন্দচন্দ্র মেমোরিয়েল হায়স্কুল, খাসপুর”, বোরখোলাদগী ইং ১৯৫৩ দা মেত্রিক পাস তৌখি। মেত্রিক পাস তৌরবা মতুংদা “জি.সি. কলেজ, শিলচর”দা মিং চন্দুনা প্রি য়ুনিভর্সিটি পাস তৌখি। কলেজ অসিমক্তদা বি.এ. তমলিঙৈদা শগোলশেম ধবল অমদি কৈসাম কুলচন্দ্রগা পূন্না শিলচর, বিবেকান্দ রোডকী কা অমদা ভাড়া লৌদুনা লৈমিন্নরম্মী। অফবা ছাত্র অমা ওইনা ব্রজেশ্বর ১৯৫৮ দা বি.এ. লোইশিনখি। ব্রজেশ্বর মখাতানা ইং ১৯৬৫ দা বি.টি. পাস তৌখি। হিষ্টরী অমসুং বাংলা লিটরেচরদসু এম.এ. তম্মী অদুবু মপুং অমত্তা ফাখিদ্রে। এল.এল. বি.সু চহী অনী তমলমলগা লোইশিন্দনা তোকখি।

লাইরিক লাইশুদতা নত্তনা ব্রজেশ্বর তবলা য়ৈবসু নীংথিনা হৈ। মহাক্না তবলা য়ৈবা তমখিবসি লক্ষিপুরগী ওজা গৌরমোহনগী মফমদগীনি। মতম অদুদা খুল্লক লৈরক্তা ত্রিনাথ খুরুম্বা য়ান্না চৎনরম্মী। ব্রজেশ্বরসু থৱায় য়াওনা খুল্লক লৈরক্কী ত্রিনাথতা তবলা য়ৈবা চৎলম্মী। মতম অদুগী উসা পতৱা সংঙ্গীত বিদ্যালয়দসু মিং চন্দুনা তবলা য়ৈবা তমলম্মী। নট পালা তৌবা ওজাগী মচানি হায়দুনা মীয়াম্না ইনশিনবদগী নট পালাগী ঈশৈ তমন্নবা হোৎনরুই অদুবু কাইনথংদা মপাবুংনা ‘ইবুংঙো তৌরুনু কানরোই, ঈশৈসি নঙগী থবক নত্তে, য়ারোই তোকও হায়বদগী মখা তমথখিদ্রে।[১]

ব্রজেশ্বর ইং ১৯৫৭ দা “জি.সি. কলেজ, শিলচর”দা বি.এ. তমলিঙৈদা “আর্ল হাইস্কুল, লক্ষিপুর”দা ওজা ওইনা থবক চঙঙি। স্কুল অসিদা মণিপুরী সাহিত্যগী লমদা শীংথানরবা ওজা নোংথোম্বম কুঞ্জমোহনগা থবক তৌমিন্নরম্মী। স্কুল অসিদা চহী ৭ রোম ওজা ওইরমলবা মতুংদা ইং ১৯৬৪ দা শিলচর অমসুং হাইলাকান্দিগী সব ইন্সপেক্তর ওফ স্কুল ওইনা থবক চঙঙি অমদি দি.আই. ফম ফাওবা পুরম্মী। মতুংদা ব্লোক ইলিমেন্টরী ওফিসার ওইনা ইং ১৯৯৩-৯৫ ফাওবা লৈরমলগা থবকতগী পোথাখি।

ব্রজেশ্বরনা মশাগী চহী ২৪ শুবা মতমদা ইং ১৯৬৩ দা থ্বালিপার, জলালপুরগী নীঙোল দশরাণীগা পুন্সি লৈপুন শেমখি। দশরাণী য়ান্না নৌনা চহী তরামপানতা ঙায়রিঙৈদা থাজরকপনি। লাইরিক লাইশুদা অফবা ছাত্রী অমা ওইনা হৌরকই। ইং ১৯৬১ দা মেত্রিক পরিক্ষা পাস তৌখি, ঙন্না য়ুম্বান লম্বীদা খোঙদাখিবনা মখা অমুক হন্না তমথখিদ্রে। য়ুম্বাললবা মতুংদা দসারাণি এল.পি. স্কুল অমদা থবক চঙলম্মী। পুন্সিগী অৱা-অনা, পূক্নীং, নৌবা মতাং কয়া লৈখ্রবসু দসারাণি অঙাং মরিগী মমা ওইদুনা নুঙাইনা হিংলি। দসারাণি মপুরোইবগী পুন্সিগী অরোইবা মীকুপ ফাওবদা নুংশিননা অমসুং ৱাখলোন তিন্ননা য়ুম্বানমিন্নখি। মহাক “নং ৫৯২ তিকোরবসতি এল.পি. স্কুল”দগী হেদ মিসত্রেস ওইনা থবকতগী পোথাখি।

ব্রজেশ্বরগী মচা মরি অদুদি মথংশিংনা :

১। এস. জগটমণি সিংহ (মচানুপা), ২। যমুনা সিংহ (মচানুপী), ৩। যুসনা সিংহ (মচানুপী),
৪। কবিতা সিংহ (মচানুপী) অসিনচিংবনি।

ব্রজেশ্বর আসামদা মণিপুরী লোননা মিদিয়ম ওফ ইনসত্রকসন ওইদুনা মহৈ-মশিং তমনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবশিংগী মনুংদা অমনি। মহাক্না সাহিত্যগী সংস্থাশিং, ওগার্নাইজেসনশিং, চেফোঙনচিংবশিংদা লৌরকখিবা থৌদাং অমদি পায়রকখিবা ফমশিং পল্লবদা– ১। জেনরেল সেক্রেতরি, মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, আসাম (১৯৮১-৮২), ২। প্রেসিদেন্ট, মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, আসাম (১৯৮৮-৯০)

অমসুং (২০০৭-২০০৯), ৩। মণিপুরী এডভাইজরি বোর্ড মেম্বর, সাহিত্য একাডেমি, নিউ দিল্লী (২০০৯), ৪। প্রেসিদেন্ট, গনতান্ত্রিক লেখক সংস্থা, কছাড় (১৯৮৫), ৫। প্রেসিদেন্ট, অন্বেষা নাট্য সংস্থা, বদরপুর, ৬। চীফ এডভাইজর, সহিত্যদর্শন (সাহিত্য প্রতিকা), বিহারা, ৭। মেম্বর, হিউম্যান রাইটস কমিটি, কাছাড়, ৮। জেনেরেল সেক্রেতরি, রাসপূর্ণিমা খোরজৈ মরূপ অসিনচিংবনি।

ব্রজেশ্বর মমারোল অমদি মজাতিবু নুংশিজবা মীশক ওইরুবনা পুন্সিগী অথেঙবা মতম ফাওবা সাহিত্যগী সংস্থাশিং অসিগা খূৎশন্নদুনা সাহিত্যগী থৌগন তৌজবা ঙমখি।

**4. সৌগাইজম ব্রজেশ্বরগী সাহিত্য :**

সাহিত্যগী লমদা সৌগাইজম ব্রজেশ্বর পুন্সিগী অঙনবা মতমদগী হৌনা খোঙ থাংজিনবা হৌরকখি। ইহান হানবা ওইনা জি.সি. কলেজদা তমলিঙৈদা কলেজসিগী মীতৈ মহৈরোয়শিংনা ফোঙবা চেফোঙ 'মতমগী পাউতাক' তা হায়বা শৈরেং অমা ইরম্মী। ইদিতরেল বোর্দনা খনবিরকতবদগী ব্রজেশ্বরগী পুন্সিগী ইহান হানবা ওইনা ইজবা শৈরেং মমী শামদুনা তোকখি। আর্ল হায়র সেকেন্দরী স্কুলদা ওজা ওইনা লৈরিঙৈ মতমদা রোমান্তিক ওইবা শৈরেং কয়া ইরম্মী। অদুবু লাইরিক ওইনা ফোঙবগী ইথিল ফংখিবদি শগোলশেম ধবলগী *শনরিক মচু* হায়বা শৈরেংগী লাইরিক অসি ফোঙলকপদগীনি।

সৌগাইজম ব্রজেশ্বরগী ফোঙখ্রবা লাইরিকশিংদি :

**১। শৈরেং :**

(ক) মণিপুরী : ১. পিদোন্না হায়জবা (১৯৬৯), ২. অশংবা ঈথক (১৯৭১), ৩. হঙোয় খোংবদসু লিঙ্গ হোংবদসু (১৯৭৫), ৪. প্রজাতন্ত্র নুমিৎ য়ৌরক্লে (১৯৭৯), ৫. অমৃতগী তাইবং (১৯৮৪), ৬. ইতিহাসকী তিনশিল্লবা মনম (১৯৮৭), ৭. ওঁ বিষ্ণু বিষ্ণু (১৯৯৫), ৮. হৌগৎলো চান্নবী থোঙ হাংদোক্লো (২০০৩), ৯. সুনিতাগী ঈসৈ তাসি (২০০৪), ১০. অখন্নবা শৈরেং (২০০৪), ১১. লম্বী অসিদা নুংশিজৈ পোক্লফমবু (২০০৫)।

(খ) বাংলা : ১. শুভ দিন আসবে (২০০৩), ২. পথে যেতে যেতে (২০০৪), ৩. দাঁড়াও গান্ধীর শিষ্য (২০০৬)।

**২। উপন্যাস :** কণ্থোকপা (১৯৭৬)।

**৩। নৈন-ৱারেং :**

**৪। মণিপুরী : ১.** অনৌবা কবিতাগী শকলোন (১৯৮৩)।

(গ) ইংরাজী : ১. Glimpses of Indian Literature (২০০৫)।

ব্রজেশ্বর আধুনিক কবি অমা ওইনা মোদর্নিজমবু চেৎনা থাজজবা তম্পাক অসিগী অইবশিংগী লমজিংবনি হায়না শীংথানৈ। মহাক্না মণিপুরীদা শৈরেংগী লাইরিক ১১ খক ফোঙখ্রে। লাইরিকশিংসিদগী অখন্নবা শৈরেং খরগী চাউরাকপা শক্তম অমা থমজরি। ব্রজেশ্বরগী পিদোন্না হায়জবা লাইরিক অসিদা পূন্না শৈরেং ২৪ খক য়াওই। শৈরেংশিং অসিদা রবিন্দ্রনাথ অমদি খৱাইরাকপম চাউবগী খূৎইগী মমি তাবা উবা ফংই। চাউবা, কমল, অঙাংহল, নবদ্বিপনচিংবা কবিশিংবু শৈরেংশিং অসিদা শৈথাদুনা ইরি। ব্রজেশ্বরগী *অশংবা ঈথক* (১৯৭১) হায়না মিংথোনবা শৈরেংগী লাইরিক অসি অমুকহন্না ফোঙলকখিদবদগী হৌজিক থিবা খঙখিদ্রে। এলাংবম নীলকান্ত অমসুং শ্রী বিরেননা *খোমজিনব মণিপুরী শৈরেং* (১৯৭২) হায়বা লাইরিক অসিদা ব্রজেশ্বরগী অশংবা ঈথক্তা য়াওবা শৈরেং অনী 'ঐতদি' অমসুং 'ঐগী বুদ্ধগয়া' অসি য়াওই।

ব্রজেশ্বরগী *হঙোয় খোংবদসু লিঙ্গ হোংবদসু* হায়রিবা শৈরেংগী লাইরিক অসি শৈরেং অনীগী মমিং পুনশিন্দুনা লাইরিককী মিং অসি থোনবনি। লাইরিক অসিবু মহাক্না নোংমাইথেম তোম্বী অমসুং নোংথোম্বম কুঞ্জমহোন অনীগী মফমদা কণ্থোকই। শৈরেং অসিগী মিংথোলগী মরমদা অইবা মশামক্তা অসুন্না হায়রম্মী -

> "ফত্তবা হায়বসিনা ফত্রবদি, নুপা লমচৎ নাইদ্রবা অমা নুপী ওন্থোকলবসু মাগী নত্তব লমচৎকী হৈনবী অদুদি তোকপা লৈতে হায়বসীনি।"[২]

অইবগী প্রজাতন্ত্র নুমিৎ য়ৌরক্লে হায়বা লাইরিক অসিদা মরু ওইনা নীংতম্বা ফংলবা প্রজাতন্ত্র চৎলবা লৈবাক অসিদা মীচম প্রজাশিংগী অধিকার মাঙলকপা ফংফম থোকপা হকপু শক্তি লৈবশিংনা খোঙগাওনবা অদুবু নিন্দা তৌদুনা শৈথারকই। লাইরিক অসিগীসু মিংথোল ওইরিবা শৈরেং *'প্রজাতন্ত্র নুমিৎ য়ৌরক্লে'* হায়বা অসিদা অইবনা প্রজাতন্ত্র নুমিৎকী অশেংব শক্তম অমা মীয়ামদা ময়েক শেংনা তমথোকনবা হোৎনরি। প্রজাতন্ত্র নুমিৎ অসি মীওইবনা অনৌবা ৱাখল, অনৌবা শৈশক্তা লোয়ননা হৌখিবা কুমগী অৱা-অনা কয়া কাওথোকলগা অমত্তা ওইবগী ৱাখলদা নুঙাইবগী ঈশৈ শরুবগী হরাউবগী নুমিৎনী। নুমিৎ অসিদা থম্মোয়গী

নুঙাইবা ঈহুলগা অমুক হন্ন জাতিগী ফিরাল মখাদা অৱা-নুঙাই কয়া খাইদোক-খাইজিন তৌদুনা অমত্তা ওইবগী অনৌবা ৱাশক শক্কদৌরিবনি৷ চহী কুমজা কয়া মীওইবনা থেংনরকলিবা অৱাবা কয়া ফোঙদোকনবা মীয়ামগী ওইবা প্রজাতন্ত্রগী নুমিৎনি৷ নুঙাই য়াইফনা হিংলিবা মীওইশিংগীসু নুঙাইবা, লীনগী খয়াৎতা তারবা উপাই লৈজদ্রবা হঙোইগুম্লবা মীওইশিংগীসু কপচবগী নুমিৎনি৷ ঙসি নুংশিবগী, ধর্ম্মগী লমদমসিদা সেপলবসু সেপতে, খোইরবসু খোইদে হায়না কবিনা অমুক মতমসিগী সমাজকী ৱাখল মীৎয়েং করেম্নরকই৷ লমদম অসিদা লৈরিবা লাইরিক লাইসু হৈত্রবা পঙলবা মচা ময়াম য়োকচবি ভারত ইমাগী তম্পাক্তা মিহিংচাবশিংগী মশক অসুম অসুম হেগৎলকই৷ অদুনা প্রজাতন্ত্র নুমিৎকী মমল লৈত্রে, অর্থ থোকত্রে৷ প্রজাতন্ত্রগী নুমিৎ হায়বসি প্রজা মীয়ামগী নুমিৎনি, প্রজা মীয়ামবু শুমদুনা চারিবা কাওবুশিংদুগী মায়য়োক্তা খোল্লাউ অমত্তা ওইরবসু লাউবা ফৈ হায়না অইবনা হায়রি৷ শৈরেং অসিদা মরবাক মজাতিবু নুংসিবা অমদি মীওইববু শুমদুনা চারিবা য়াইতোঙ খমদোঙবশিংগী মখূৎতগী মীওই পুম্নিবু কননিংবগী ৱাখল মীৎয়েং অমা উবা ফংই৷

হায়রো, হায়রো, কবি হায়রো নুংশিবগী ৱা হায়রো
মঙালগি ৱা হায়রো লোৎনা ফোংনা
নশাগি পামজবা নশাগি শেমজব মায়থোংগা
ইপুধৌ পাখংবগি মায়থোং, মহাত্মা গান্ধীগি মায়থোং
শেমনিংবতা শেমদুনা হায়রো৷

(প্রজাতন্ত্র নুমিৎ য়ৌরক্লে, লাঃ ২)

শৈরেং মতেক অসিদা কবিনা ঙসিগী অশেংবা অচুম্বা য়াউদ্রবা সমাজ অসিগী তমথীরবা মশক অমবু উৎনবা হোৎনরকই৷ মীওইবনা মশা মশাগীতা খনদুনা ওইজবনা মাঙওইনরগা অফব অচুম্বগী মশক কয়া মশানা পাম্বা মওংদা শেমগৎ শেমগৎতুনা অচুম্বা, নুংশিবা শাদুনা ফোঙদোরকপদু ময়েক শেংনা খঙহল্লি৷ মসিমক্না ঙসিগী মীরোলনা লৌনরকলিবা প্রজাতন্ত্রগী নুমিৎ অমদি ধর্ম্ম অমসুং মীনুংশিগী অনৌবা ৱাহনথোকপু কবিনা শৈরেংসিদা করেমনরকই৷[৩] মহাক্কী *ইতিহাসকী তিনশিল্লবা মনম* অসিদদি মোদর্নিষ্ট অমা ওইবগী চপ চাবা মশক অদু উবা ফংলকই৷ হৌজিক মতমগী মীওইবা পুম্নিগী মীৎয়েং ৱাখল তাক্লনবা হোৎনবদা নুংদা চঙশিল্লক্তুনা ৱাহং কয়া হংলকই৷ সংবিধানগী চৎন কাঙলোন অচুম্বনি ফজবনি, প্রজাগী খন্দুনা ইবনি৷ অসিগুম্লবা ভারতকী অৱাংবা আদর্শদা য়ুমফম ওইদুনা লৈরক্লবা চৎন কাঙলোনশিং অসি নাথৈদুনা মখোয় মখোয়না তৌরিবশিং অদুনা অচুম্বনি, মুক্তিগী পাম্বৈনি, শান্তিগী লম্বীনি হায়দুনা অচুম অরান থিদনা অকনবনা অশোনববু তুহৎপিরিবা অমদি মীনা মীবু চাওখৎলে হায়না লাউরিবা পূন্নমকপু 'ইতিহাসকী তিনশিল্লবা মনম' হায়রিবা শৈরেং অসিদা ফোঙদোকলি৷

"অদুনা 'মী' না মীবু
চাউখৎলে হায়না লাউরিবা৷
মসিনি রাজনিতিগী ধর্মা৷
'মী'গী খোংথাং 'মী'গী খোংথাং
পঞ্চভুতনা য়েংদুনা নোকলি৷
সংবিধান ময়েক
চেনলি ঐখোয় ইরক্তা
ফৎত্রবা মহিক কয়াগা লোয়ননা
মুক্তিগী মুক্তি ঐখোয়গী মুক্তি
জাতিগী য়ুম্বীরেন নেহেরু
নংনা করম্বা মুক্তিলম্বেল
ঐখোয়দা তাকপিরম্বা?" [৪]

*ইতিহাসকী তিনশিল্লবা মনম* অসিগী মরমদা অইবনা অসুন্না হায়রম্মী :

"ইতিহাসকী তিনশিল্লবা মনম অসি য়াম্না নুংশিবা থম্মোয়দা পানবা পূক্নিং মথুম মরাঙ হৌহনবা অমদি নত্তে অদূনা ইতিহাসকী তিনশিল্লবা মনম অসি কুইর কুইরগা খারককদবনি৷" [৫]

ব্রজেশ্বরনা সিম্বল, মেতাফোরনচিংবা শীজিন্নদুনা তোঙান তোঙানবা থিমদা পান্দুনা শৈরেংশিং ইরকই৷ শৈরেংগী মতাংদা অইবনা অসুন্না ফোঙদোকলি :

"শৈরেংদি করিগুম্বা মতমদা জামিত্রিগী স্ট্রেইট লাইনগুম্না চত্তো। করিগুম্বা মতমদা সমজিন্না চংখিবা য়াওই। কবিতা মীৎনা উবা ডাইরেকট্ উবা ইন্দাইরেকট্ ৱেদা ফোঙদোকপগী শিল্প মখল অমনি। কবিতা পাবা মতমদা কবিতা পারিবা মীওইশিংনা পরেং অমমম্না ষ্টেঞ্জা অমমম সাগৎলগা মরক্তা অহাঙবা মফম থম্লিবসি করিগীনো হায়বা ৱাহং পুখৎপীদুনা কবিতা শাগৎলিবা মূর্তি ময়েক শেংনা উবা ফংগনি। মরমসিনা কবিতাগী যতি চীহ্ন পূম্বা অমসুং ষ্টেঞ্জা অনীগী মরক্তা লৈবা অহাঙবা মফমগীসু অর্থ হন্দুনা থিবগী মথৌ তাই।"৬

ব্রজেশ্বর বাংলা সাহিত্যবুসু তমলুবনা অমদি শকখঙনরুবনা বাংলা লোন্দ লাইরিক অহুম ফোঙখি। সুভদিন আসবে (২০০৩) হায়বা শৈরেংগী লাইরিক অসিদা শৈরেং ৪১ খক য়াওই। *পথে যেতে যেতে* হায়বা শৈরেং ৱারেং পূনবা লাইরিক অসিদনা শৈরেং ২২ অমদি ইংরাজী ৱারীমচা ৪ খক য়াওই। *দাঁড়াও গান্ধীর শিষ্য* হায়বা লাইরিক অসিদা শৈরেং খরগা রচনা ২ খককা য়াওই। ইং ১৯৭৬ দা কণ্ঠোকপা হায়না মিংথোনবা উপন্যাস অমখকসু ইরম্মী। উপন্যাস অসিদা অইবনা মীওইবগী থম্মোয়দা য়াওবা য়াম্না মমল লৈরবা মানবতা (Humanism) অসিবু উৎথোক্লবা হোৎনরকই।

ব্রজেশ্বরগী অনৌবা মণিপুরী কবিতাগী শকলোন হায়বা নৈন-ৱারেংগী লাইরিক অসি ইং ১৯৮৩ দা ইখিবনি। মসিদা মণিপুরী সাহিত্যগী শীংথানিঙাই ওইরবা কবিশিং চাউবা, কমলদগী হৌদুনা অঙাংহল, ইরাবৎ, মীনকেতন, দরেন্দ্রজিৎ, লাইশ্রম সমরেন্দ্র, নীলকান্ত, শ্রীবীরেন, রাজকুমার মধুবীর, থাংজম ইবোপিশক, য়ুমলেম্বম ইবোমচা, কাংজম পদ্মাকুমার, রাজকুমার সুরেন্দ্রজিৎ, নীলবীর শাস্ত্রীনচিংবগী শৈরেং কয়ামরোম নৈনরম্মী। ব্রজেশ্বরগী মতমগী কনতেমপররি অইবশিং শগোলশেম ধবল, খৈরুউদ্দিন চৌধুরী অমসুং আব্দুল সহীদ চৌধুরীগী শৈরেংশিংবুসু নৈনৈ। কবি অসিগী নৈন-ৱারেংগী লাইরিক অসিবু হুইরেম মদন মোহন সিংহনা আরনোল্দ অমসুং ইলিয়টকী ক্রিটিসিজমগী মমি তাই হায়নসু ফোঙদোকলম্মী।

মহাক্কী শৈরেংশিংগী মনুংদা ইতিহাসকী তিনশিল্লবা মনম মণিপুরী সাহিত্যদা শীংথানিঙাই ওইবা মফম কল্লিবা শৈরেংনি। শৈরেং লাইরিক অসিদা "মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফাল"না ইং ১৯৯০ দা ''কামিনি কুমার এৱার্দ'' পীদুনা ঈকাই খুম্নখি। ব্রজেশ্বরনা সাহিত্যদা তৌরম্বা খূদোলশিংবু মশক খঙবিদুনা তোঙান তোঙানবা সংস্থাশিংনা খূৎশিন্নখ্রবা মনাশিং মখাদা পীজরি :

১। কামিনি কুমার গোল্ড মেদল ১৯৯০, 'ইতিহাসকী তিনশিল্লবা মনম' মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফাল।
২। লিটররী পেনসন ১৯৯৯ দগী, গভর্নমেন্ট ওফ আসাম।
৩। অম্বেদকার এৱার্দ ২০০০, দলিত সাহিত্য একাদেমি, নিউ দিল্লি।
৪। কাব্য ভূষণ ২০০২, নহারোল খোরিরোল শিল্লুপ, লক্ষীপুর।
৫। সাহিত্য ভূষণ ২০০৪, মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, আসাম।
৬। ইরাবত এৱার্দ ২০০৪, ইরাবত ফাউন্দেশন কমিতি, কাছাড়।
৭। কসতুরি সাহিত্য পুরস্কার ২০০৫, কসতুরি মাসিক পত্রিকা।
৮। সাইতেসন অমা ২০০৬, থিয়েতর ৱার্কসোপ, বদরপুর।

**5. ৱারোইশিন :** পোকপা শিবা হায়বসি তাইবঙ জীবগী হৌনশানি। উপাধি কয়ানা লৈতেংলবা সৌগাইজম ব্রজেশ্বর ঐখোয়গী ইরক্তগী ইং ২০০৭ গী ডিসেম্বর থাগী তাং ২৪ সগোলশেল নুমিৎতা তাইবঙগী অৱা-নুঙাই কয়াবু নাথৈরমলগা মপূগী খূয়াখাদা তিনখি। মহাক্না লৈখিদবদি মণিপুরী সাহিত্য, লৈকোলদগী ফুগায়না শাৎলম্বা লৈরাং অমা কেনখিবগুম লৈকোল অসি অৱাৎপা অমা ওইনা মহাকপু নীংশিংদুনা লৈরগনি।

**মতেং লৌজখিবশিং :**

১. এন.দি হোদামবা, "সৌগাইজম্ ব্রজেশ্বর সিংহগী পুন্সী অমসুং থবক্", নৈনরোল ৪শুবা মশীং, (কেসার্ : রাসে, থাংজম লৈকাই, ২০১০), লাঃ ৪।
২. এন.দি হোদামবা, "সৌগাইজম্ ব্রজেশ্বর সিংহগী পুন্সী অমসুং থবক্", নৈনরোল ৪শুবা মশীং, (কেসার্ : রাসে, থাংজম লৈকাই, ২০১০), লাঃ ৫।
৩. এন.সরত্চন্দ্র সিংহ অমসুং লোইবী লৈমা সিংহ, "ব্রজেশ্বরগী সৈরেংদ অসা অমসুং সীংনব", শমজীরৈ, তরামাথোইশুবা মশিং, (শিলচরঃ শমজীরৈ, পব্লিকেশনস, জুন-জুলাই-২০১৮), লাঃ ১৮।
৪. মুতুম বাবুসানা (সম্পা.) শৈরেং নাচোম (কছাড় : মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, আসাম, ২০০৪), লাঃ ৭।
৫. এন.দি হোদামবা, "সৌগাইজম্ ব্রজেশ্বর্ সিংহগী পুন্সী অমসুং থবক", নৈনরোল ৪শুবা মশীং, (কেসার্ : রাসে, থাংজম লৈকাই, ২০১০), লাঃ ৬।
৬. ক্ষেত্রিময়ুম সুবদগী, শক্নাইবা খরাগী পুন্সি (ইম্ফাল : রাইটর্স ফোরম, ২০০৮), লাঃ ১০৮।